খঙবা ৱাবা, খঙদ'য়াদবা ৱাফম খরা

লৈবাক অমগী লৈঙাক-ওথোরিটিদুবু য়ানীংদদুনা, ওথোরিটিদুগী মায়োক্তা লান হৌবা-লৈবাক খুদিংমক্কী ইতিহাসকী লাইরিকশিংদা থেংনৈ। নিংথৌ-লৈঙাক চৎনরিঙৈ মতমদদি নিংথৌ খুভম মুন্নবগী মপা-মচা/মচিল মনাও হাত্তোক্লবা, ইমুং মনুংগী লান নত্তনা, মীচম-মীয়াম মরক্তগী কনাগুম্বা অমনা লুচিংদুনা নিংথৌগী সুপ্নম-সাসনগী মায়োক্তা হৌবা লানহৌগী ৱারী অতৈ লমগী ইতিহাসকী লাইরিক্তা য়াওরম্বদি খঙদে, মণিপুর অমসুং ইন্দিয়াগী ইতিহাসতদি থেংনদে। নিংথৌ মায়োক্তা মীয়াম লানহৌ হৌখিদে নিংথৌ-লৈঙাক খুদিংমক অফবনি মীয়ামগী য়াইফনবতা তৌখিবনি হায়বদুদি লানগনি। নিংথৌ খরখক নত্তনা, খুৎকনবা নিংথৌ অয়াম্বগী মচৎনি...'পূমহেন হেনবা, পূমঙম ঙম্বদু মহাক্কি, মাগী ৱাহৈ খুদিংমক খোয়ুম মপাউ অমমমনি, মাগী য়াথং ইন্দবা খোয়ুম য়াথং থৌওইদবনি, লাইরৈবাক্তা থাগনি'... হায়বা ৱাখলসিনা মাঙওইনবা লৈঙাক নিংথৌ চৈরাক কিবনা মীচম-মীয়াম মরক্তগী কনানসু নিংথৌগী মায়োক্তা লান হৌখিদ্রবসু, নিংথৌকোনগী নিংথৌ মচাশিংনা নিংথৌগী মায়োক্তা লান-হৌবগী থৌওংদি মফম খুদিং থেংনরকই। থৌওংদুবু ঐখোয়না ইংরাজি'দা 'রিবেল্লিয়ন' নৎত্রগা 'রিভোল্ট' হায়না খঙনরকই। ঐগী ইমালোল (মৈতৈলোল) - কবি চাউবনদি হায়রম্মী - 'লায়রবী ইরোলনি খঙদবনা হায়বনি মৈতৈ কবি লাকখিনি'। মৈতৈ কবি, মীরোল কয়া লাকখরে - হান্না লৈরমদবা অনৌবা লোন পুথোকপগী লম'দদি ঐখোয় য়াম্না শোত্থরম্মী। ইগে খনজরিবা ৱারেংসিগী মখা তাবা শরুক্তা শীজিন্নরক্কদবা ৱাহৈশিং ইংরাজি লোন'দদি মখল কয়া থোক্লা শীজিন্নবা থেংনবা, ঐগী ইমা লোলসিদদি ঐখোয়না তোয়না শীজিন্নরিবা ৱারেংসিগী অহৌবা পেরাগ্রাফ অসিদসু তোয়না শীজিন্নজখ্রবা, 'লানহৌ' হায়বা ৱাহৈসিগী ৱাহন মান্নবা অতোপ্পা ৱাহৈ খরা থিরকপদা চমন্নবা পোকপদু হায়ফেৎ পঙ্গরম্বনি।

'লানহৌ' অমদি 'লানহৌবা' - ইন্সর্জেন্সি অমসুং 'ইন্সর্জেন্ট' কী মৈতৈলোলগী ৱাহন্থোক'নি। 'রিবেল্লিয়ন' অমসুং 'রিবেল' গী ৱাহন্থোকসু অমত্তনি। ইন্সর্জেন্সি নৎত্রগা রিবেল্লিয়ন এগেন্সত দ ইন্দিয়ন পোলিটিকেল ওথোরিটি... ইন্দিয়াগী লৈঙাক ওথোরিটিগী মথক্তা লান হৌবা/ইন্দিয়াদগী তোখাইবা, নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইরগে লান হৌবা... ইন্দিয়া'দা অনৌবা ইস্যু নত্তে। করিগী লান হৌরিবনো? করিগী তোখাই তানীংলিবনো? কনানসু তানীংবা ৱাফম নত্তে, ৱারেংসিদা নৈনজরোই, ইতিক নত্তে নৈনবসু।

অদুবু, ইন্দিয়াদা পূল্লুবগী পেন্দ্রবা, নিংদোল পোন্নবা লমদমসিগী মীয়াম্না (মরু ওইনা মতম মতমগী নহারোলশিংনা) লৈবাকসিদা পূন্দ্রিঙৈ মতমগী পোলিটিকেল ষ্টেটস অদুদা হঞ্জিঞ্জরগে, ইদোম লৈঙাকচরগে লাউরকপা, মখূত্তা খূৎলায় পায়রকপা... চরাঙনরবা দিকেদ মঙা-তরাগী পোলিটিক্স'না কাং-খোং চাইহল্লবা লমদমসিগী ঙসি অমসুং হয়েংগী ৱাখল খল্লুবদা খাম্বা ঙমদ' পাইশিল্লকখিবনি ঙরাং অমসুং নহানগী নীংশিং শক্তমশিং। ঙসি ওইরিবা য়েংহৈদ্রবা পূন্সি-শক্তম, অসুম্না হেক্তা ওইরকখিবা নত্তে। মনীং তম্বা অপীকপা লৈবাক ওইন' লৈবদগী, অচৌবা লৈবাক 'ভারতবর্ষ' গী শরুক অমা ওইনা লৈবনা চাওখৎ-খোঙজেল য়াঙবা হেনগনি, মীগী মীরক তিনগনি খন কাঙজৈবুংদা থাবল চোংখিবা, হরাও মথোয় কাখিবদুগী মহয় ওইনা - নীংতম্লম্বা মরৈবাক, পার্ট-সী-ষ্টেট ওইহনখিবা, য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা ইনখৎলবা তুংদসু 'ষ্টেটহুদ' পীনবা মহৈরোয়-নহাশিংগী ঈহৌ বার্তন তৌখিবা মাঙলোমদা চঙশিনবা নত্তবা তুংহন্ননা চৎলল্লে খঙলকপা... পূম্নমকসিনা 'ইন্সর্জেন্সি' মরূ হুলহনখি। থম্মোয় ইহুল খঙবীবগী মহুত্তা, নোংমৈ পায়বা ঈহৌদি নোংমৈনা নমথগদবনি হায়বা থৌশিল পায়খৎখি। নুংশিনবই মহুৎ মূক্নবা, অমনা অমদা মরাল শীবা, তূক্কচ্চবা রাজনিতি! রাজনিতিদুনা শেল্লকখি-নীংথিনা লৈশাৎ তল্লবা, মহয় য়াল্লবা শেঞ্জা-থুমজা (করপসন) গী লৈকোল অমা। হৌজিক্তি ওইহল্লে ঐখোয় পূম্নমক - লৈকোলসিদা হৌরিবা হু পাম্বী নৎত্রগা অমৃট চেনবা পাম্বী অমমম। লুরিবদি শিদ ইদাক পীবা পাম্বী মশীংনা লিক্লা, হু পাম্বীনা মশীং হেন্না হৌরকপসিনি। মান্নি, হৌজিক ঐখোয়না হিংলিবা, মতম অমদা 'এ লিট্টল পেরেদাইজ ওন অর্থ' হায়নরম্বা ঙসিনা 'দি বিগ্নেষ্ট হেল ওন অর্থ' ওইরবা, হু পাম্বীনা থন্না হৌরবা লৈকোল অদুদনি। শেঞ্জা-থুমজা, মোৎপদগী মোৎলবা খুন্নাই অমদা ঐখোয় হিংলি হায়বগী মশীং থিঙমদ্রবা খুদম চাংদম, ইশা ইশানা হকথেংনরবা কয়াসিগী মথক্তা হন্দক্তা থেংনবা অনৌবা পাউ... মীতোপ চঙলকপা থিংনবা/কাঙলোন চুম্না চঙহল্লক্লবা চহী কয়া চঙনা ঈহৌরকপা মীয়ামগী ঈহৌনা পীরকখিবা খুদোল 'ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম' সিষ্টমদুগী শরুক অমা ওইনা লমদমসিদা চঙলকপা মীতোপ খুদিংমক্তা লৈঙাক্না ইস্যু তৌবা ইন্নর লাইন পর্মিট কার্দ' ইম্ফালগী দুকানশিংদা য়োল্লল্লে... হায়বসিনি। অমা-অনী, মঙা-তরা নত্তবা কার্দ লিশীং অহুম চামঙা! অৱাংবা থাক্কী ওফিসলশিং চেন্নরমগনি থাজে, অরানবা তৌবশিং চৈরাক পীগনি -চীফ মিনিষ্টরনবুদি ৱার্নিং পীখ্রে। অদুবু, মরাল লৈবা ফাগনি, চৈরাক পীনি হায়বদুদি থাজবা ৱাৎলি। মাঙলমচত্তসু 'লেম্না থারোই' হায়না লাউথোকখিবা মরাল লৈবা কয়া অমা ঙসিসু ফাবা ঙমদরি, মনীং তম্না ক্রাইম তৌরি। নোংমৈ কাপ্লি, মী হাৎলি, সেন্ট্রেল সিক্যুরিটিনা ঙাক শেল্লি।

দিকেদ তরুক হিংলক্লবা পূন্সিসি ঙসিগী পূন্সি তাঙ্ককসিগুম লৈতাদবা, ইনসিক্যুর ওইবা (ঙাকপী শেনবীনবা লৈত্রবগুম্বা) ফিলিং ফাওখিবা অমুক্তসু ফাওখিদ্রি। মসি করিদগীনো/ রাজা-প্রজা অনীগী লৈনফম থোকপা মরীদুগী মতুংইন্নদি, প্রজাগী পূন্সি ঙাক শেনবই থবকসি 'রাজা' গী ওইফম থোকপনি। মরমদি শক্তি পূম্বা মখূত্তা লৈ। নিংথৌ লৈঙাক মুখত্তুনা মীয়াম-লৈঙাক-লীংখ্র'তুং, 'রাজা'দুগী শক্তিদু মীয়াম্না খনবা মীহুৎশিংগী মশীং য়াম্বা কাঙবুদুদা শিন্নখি। কাঙবুদুগী লুচিংব'না শক্তি অদু মনীং তম্না শীজিন্নৈ। মান্নি! মহাক নিংথৌ-লৈত্র' মতমসিগী অনৌবা নিংথৌ অদুনি। মফাংলবা ৱাখল'না নিংথৌগুম্বা লৈঙাকপদু নীংশিংলুরিবা করিগীনো? ঐতা নত্তে, নীংশিংলম্লি অদোমসু। মরমদি - মহাক মথৌ তৌদরে। মশাগী ওইবা মরন্নাই পূন্সিদা লুপ্পুঙৈ, প্রজাবু ঙাক শেনবগী থৌদাং অদু কাউখরে।

খল্লুবনি খামঙমদনা - য়ু এস-রুসিয়াগী লানসিদা শিখিবা-নাখিবা-মাঙখিবা পূন্সিশিংদুগীদমক্তি মথম্মোয়দা মীনুংশি ফাওরক্তুনা অৱা-নুংঙাই হংলুরি, লান খাম্বা চৎলুরি। পীক্লবসু পীক্লা, মরৈবাকপু মালেমদা শক্তাকপদা মাঙথংবা মফম কল্লিবা মণিপুর'দা লানগী মৈনা মৈৱাইরকপা, থা তরামরি লেপ্তুনা হাৎনরকপসিদদি পুং খরখক্তং কাইথোক্লগা হংবা লাকপই ৱাখল পোক্লকপদি হায়রুনু, 'মণিপুর' হায়বা ৱাহৈসি মচিন্দুনফাও পল্লু য়াখিদবনি। ৱারু-নুংলু থোক্রুদুনা ৱাথোক ওই তুংদনি মকোক-মকৈ শম্নবা ৱাৎপা, অচুম্বদই লাপখ্রবা ৱাফম খরা পার্লিয়ামেন্ট'তা থল্লমখিবা। 'মণিপুরগী মরমদা ঙাঙদে হায়'দু ঙাঙলেদনা, ৱা মখা তারনু... ঐনা তৌনীংবা তৌগনি, নিংথৌ হায়'দু ঐহাক্কি... চৎকে ইনীং, চৎলোই ইখা- য়েংউ ঐনা তৌরকপদু'... মহাক্কী বোদি লেংগ্বেজনা পীরকপা পাউজেল অদুনি তমজরিবা ঐহাক্লা।

মালেম শিন্না খঙনবা ৱাফমসিবু ঐহাক্লা ইরুবই কান্নবা করিনো? হায়রক্কনি শোয়দনা অদোমসু। অদুবু ঙসি ঐহাক্লা ৱাফম অসি নৌহৌনা নীংশিংলুবই মরমদি অমনি। ৱারৌবা নত্তে মতৌদুদা। খল্লে হৌজিক্তি ঐহাকসু- তৌনীংবদু তৌরসনু, থৌজাল মীৎয়েং য়েংবীয়ু, নুংশিবীয়ু হায়বা ৱাহৈদুদি হায়রগুমসি ঐখোয়সু। ইফুরুপসি মূৎখিদনবা তৌফম থোকই খনবদুদি তৌরসি হৌজিক ঐখোয় পূন্না, মচোই মচোই তারগুমসি- 'সিমতংদি হঙ্গৎচনীংই, মরুপ-মপাং, ইচা-ইশু, ইরৈচাশিংদা।

হায়গদবা/হায়রোইদবা, তৌগদবা/তৌরোইদবা... হায়রোইদবদু হায়গদবা তৌরোইদবদু তৌগদবা... মফম-মতম, তাঞ্জা-মেঞ্জা খঙনা চৎকদবা মতমদুনি হৌজিক। এম এল এ তরামাপল'না খূৎয়েক পীদুনা প্রাইম মিনিষ্টরগা উনদুনা ৱারী শানবা/ৱাকৎনবা মতম পীবিয়ু হায়জখ্রে হায়রিবদু পীরক্লোই/য়ারক্লোই- ঐনা ফাও খঙলবা ৱাফমসি মখোয়দি করিগী খঙলল্লোই। হায়ফম থোকপগী হায়রিবনি। হন্দক'মুক উনসি য়াদ্রবা, অমুক হন্না উনরোই হায়বা ফিরেপ'দুমদি লৌবীয়ু - 'সিমত্তংদি হায়জনীংই।

অদুগা ঐখোয়সু খঙনবদি হোৎনসি - মহাক্লা তাথীনা য়েংলিবা, মণিপুরগী উংখৎনরিবা কাঙলূপ অনীগী মরক্তা অম'সিদা মহাক্লা য়েংলিবা মীৎয়েং অসি করিনো? মওং কয়াদা য়েংবা য়াই। খল্লমগনি - অতোপ্পা কাঙলূপ অসিদি ইন্দিয়াগী মায়োক্তা লান হৌদে, শান্তিগী লম্বীদা লাক্লবা খূৎ থোকপা লেপ্পবগী য়ান-ৱারোল ইনরি। হায়বা ইনবা কাঙলূপনি। মদুগী ওন্ন তৌনবদা, তমগী কাঙলূপ অসিদি শীংনৈ ইন্দিয়া লৈঙাক্তা, য়াদে খূৎলায় থাদোকউ...। ৱাখলসিনা মাঙওইন', কুকি-মীতৈ-ক্লাশ'সিগী খুদোংচাবা লৌরগা মীতৈ ইন্সর্জেন্টশিংদা নাকোইননা পাউজেল পী 'শান্তিগী ৱারী শানসি চঙজরকউ লৈঙাক্তা ননীং-তম্বা তোখাইবা লৈঙাক অমা শেম্বদি নুমিৎনা নোংচুপ্তা থোক্লবসু ওইথোক্লোই'। ইন্দিয়ন আর্মি মিলিটরিগী খূত্থাংদা, কুকি মিলিটেন্টশিংনা পীরকপা পাউজেলদু য়ৌহল্লি... 'ইন্দিয়ন আর্মিফাও পায়দবা নোংমৈ-বোম পায়দুনা লান্দারিবা কুকি লান্মীগা লম্বা পারিবা মীতৈ-লানপাবশিং ট্রেনিং য়াওদবা লান-পাংবা নত্তে, ট্রেনিং ফংলবা লান্মীনি'...।

রিপোর্টতুদা থাজরগনি - মণিপুর পুলিসতগী খোমগৎখিবা, হনগৎলক্ত্রিবা নোংমৈ খোমগৎপগী মিংদা তম্পাক্তা কোম্বিং ওপরেসন চত্থনবা ফিরেপ লৌরিবা। চীংদা ওপরেট তৌরিবা পি দি এফ'কা তোৎশিন্নবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা পায়রিবা নোংমৈশিংসিদি কদাইদগীনো? কনানা সপ্লাই তৌবনো? কনানা ফন্দিং তৌবনো? কনানা ট্রেনিং পীবনো? খঙলবসু, পাউখুম পীবা য়াদবা ৱাহং পরেং অমনি।

ম্যান্মারগী পিপলস দিফেন্স ফোর্স'কা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টকী দিফেন্স মিনিষ্ট্রি'গা করি মরী লৈনবা... বর্ম্মাগী প্রো-দেমোক্রেটিক মুভমেন্টকা ইন্দিয়া লৈঙাক্কা করম্না মরী লৈনবা... মণিপুর-ৱাথোক্কী সোল্যুসন থিবদা খঙদবা য়াদ্রবা ৱাফম ঙাক্তনি।

-ইন্দ্রকুমার

শাথৌলূপকী চহী ২০ ফারকপগী 'খোরিরোল খোঙচৎ' কছার অমসুং ত্রিপুরা (১৫)

লাইওইখ্রবা ওজা ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্রনা ইবীরম্বা লৈ ঙাক্তগী ওইবা হৌরকফম, শাৎলকফম, লৈগী মমিং, লৈশক-লৈচু, লৈনম, মহাও পূম্নমক য়াওরবা লাইরিক 'লৈরোন' পুয়া হায়না মিংথোনবা লাইরিক্তা লৈরাং তখেল্লেবু অসুম্না শৈথাবিরম্মী-

"নৌৱা চীংখোঙ পোইরৈতোননা মৈতৈ লৈমা লৈনাওতবী অনীনা শিদ-নাদবা মফম কোইনা থিরকপদা মখোয়গী য়ৈনা পুঙ কৌরম্বদগী তখেলপুঙকাও লম ও কৌই। লৈরোল তেংথাবা ইবিরনা নপুবোক চীংখোঙ পোইরৈতোননা মরেমগী নাদবা মফম, চীংমীগী শিদবা মফম লৈবরা হায়না মমানা পোকপদগী লোয়নরক্লবা ময়া থৌবা মচিন তুম্বা য়োৎকী চৈশু তুম্বমখৈ থিরকপদা মাগী য়ৈনবা পুঙবু কাউরল্লে অদুদগী মফমসিবু তখেন পুঙকাও লম ও হায়না কৌই। তখেল ময়াংগী পুঙকাও লমদা শাৎপা লৈ, শিঙেল মনাদি তাগী মচিন মানবা, লৈরাং মপালনা সনাগী লৈতেং মানবা লৈ, থোংনাঙ তখেল লৈ, লানফমদা মমিং লৈরবা নাকাচোম অথৌববু ফানবা লৈনি। লৈরাংসিনা লৈকায়গী ইঙ্খোলনুংদা মনা লেকলেক, লৈপাল ফরে"

অসুম্না য়াম্না কুইরবা মতমদগী লৈরাং অসি কংলৈ লমদম মণিপুরদা লৈশাৎ তমদুনা লাক্লে হায়বসি তাক্লি। অতোপ্পা 'লৈরোন' কৌবা পাবুং আর কে সনাহলনা ইবিরম্বা লাইরিক অমসু থেংনৈ। লাইরিক অসিদসু তখেল্লেগী মতাংদা য়াওবা থেংনৈ অদুবু অরিবা কংলৈরোন ওইবনা লৌশিনবা খরা ৱারে।

অতোপ্পা ৱারী অমনা মোইরাং লমদমদা মতৌ করম্না লৈরাং অসিবু শাফোংখিবগে হায়বগী মতাংদা ইনিংথৌ বোধচন্দ্রগী মতমদা খোংজোম পর্ব্বগী শৈশকপা অমা ওইনা তৌরম্বা ৱাঙুদগী ওজা অমোম খোংনাংনা খোংজোম পর্ব্বদা অসুম্না শৈথারম্মী...

"চুম্নগী ঈশৈগী শৈথাদা ওজাশিংনা খেন্নবা শকপা অমসুং পুয়াদা লৈবা শৈরোলশিংগী ৱাহৈ ৱাতা, পরিং মান্নবা, খেন্নবা অসিনা ইনাৎকী পুক্কৈদা, পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা, ঈশৈ ৱারীশিং অসিনা মফম মতমগী চাউরাকপা অমসুং মশা শন্দোরকপগী খুদম তাকই।"

লমদমসিগী মতিক মগুণ চাউরবা খোংজোম পর্ব্ব শৈশকপা ওজা অমোম খোংনাংগী শৈশক্তা ওজা অসিনা লৈমা নিংথৌগী মমাঙদা শৈথারম্বদা, ... মৈতৈ নিংথৌ খুবোম্বা (১২৬৩-১২৭৮) না মচানুপী ৱাঙমলোনবু মোইরাং নিংথৌ লোইজাম্বদা থাজে অসুম্না মোইরাং লৈবাক্কী লৈমরেন ওইখ্রবা মতমদা মৈতৈ নিংথৌ খুবোম্বনা তরেৎ-তরা থোক্লা সনা ৱাখল তৌরগা নাইতোম পোকচবী মচা নিঙোলগী পূক্লিংনা পামজবা অমত্তংগা পীরগে খন্দুনা তরেৎ শেলনা লৈদনা মোইরাং লৈবাক্তা কৈথেল অমা শেল্লগা, মদুদা মচানুপী ৱাঙমলোলগা উনগে পূক্লিং লুপখ্রে, অসুম্না কেগে মোইরাং পূন্না কৈথেল শেম্বা লোইখ্রে। হয়েং ইনুং ঙাল্লগা সনা কৈথেল য়েংগনি। কেগে শঙ্গইতু খোইয়াংবনা কেগে পাউজেল লোইখ্রে। মোইরাং পাউজেল থুংলরে। তখেল সনামনিক ললোনবনা সনাগী লিকোন পুদুনা মণিপুর সনা লৈবাক্তা য়ৌরক্লে। মোইরাং লৈবাক্কী মতাও কাইনা য়ূমখৈ তানবগী য়ূমদা থুংই। পাথৌ কাইনা, য়ূমখৈ তানবা ও, কেগেনা ঈরাং লাং মোইরাং ইনিল লৈবসিবু কৈদৌরবগে হংলকই - য়ূমখৈ তানবনা খুল্লকই..."পাথৌ তখেন সনামনিক লল্লোনবা - মৈতৈ নিংথৌ লাইরেন খুম্বোংবগী মচা ইবেম্মা ৱাঙমলোন চনু মোইরাং নিংথৌদা থাজে, মপা ইবুংঙোনা মোইরাংদা লম লৈদুনা সনা কৈথেল শেল্লে। হয়েং কৈথেল হোংগদৌরি, অদুগী কেগে ঈরাং লাংবনি, মোইরাং ইনিল নিনবনি।"

ৱা অসি তাবদা, তখেল সনামনিক লল্লোনবনা খল্লি ঐনা তখেল লৈবাক্তগী পুরকপা লৈ অসি লৈমরেল ফমথোল কবী ইবেম্মদা কৎলগে। কেগে ইনুং ঙাল্লে মোইরাং লোয়া হেল্লে - মোইরাং লৈবাক্কী মীয়াম পূম্নমক কৈথেল হোংবা য়েংলুসি। লৈবাক মীয়াম তিনখ্রে।

মোইরাং লৈমা ইবেম্মা মহারানিনা লাখোঙ শাদি লুৱাংবা শামু পীশিন্দ্রাই লমকেৎপা, মপু মোইরাং নিংথৌগী শামু য়াইসাগী শয়াং থক্তা সনা লুপা তাইবোৎ হাপ্পী। শামু তাইবোৎ মথক্তা, মোইরাং লৈমা মহারানি ইবেম্মনা শক্তা চাবা চরৈ নমথাং ইন্দুনা লুপা ক্বাগোক মনুংদা, তরেৎকী শেঞ্জা পায়দুনা মালেম থক্তা চাইরকপা, শেঞ্জানা পুমঙৌ ঙৌবনা ৱারক্তা কুন্দো শাৎকুম্মী। য়েংবদা কুম্মৈ ওইনরে। তখেল সনামনিক লল্লোনবনা চরৈ ফীবু ঙক্তা হুক। নহান নোং তখেল লৈবাক্তগী পুরকপা লৈরাংদো চাম্লৌ লানা য়োমজরে। মবেম্মগী খুয়াদা লৈরাং অমত্তা কৎচগে অশোয় অরান পূম্নমকপু ঙাকপীগনি ননাইবু হঙ্গৎচৈ। ... হা! ইপু নঙবু কনানো? - ইবেম্মা ননাই ইপুদি তখেল মপুংয়াই, সিলোট মরাংয়াইদগী লাকপনি, ননাইগী ইমিংনা তখেল সনামনিক লায়রবা হায়না কৌইদো। মোইরাং লৈমনা ইপু লায়রবগী শিঙেল লৈরাংদো খূৎথেংননা লৌবীরে। লাঙ্গৈইথক্তা চুমলৌ লায়োম হায়দোক্লে। শিঙেল মাবু য়েংবদি, করি ওইবগী মনীংথিনো? হা ইপু লৈরাং কোলোই করি কৌবগে তাকপীয়ুদা। ইবেম্মা ননাই ইপুনা তখেল লৈবাক্তগী পুরকপা লৈনি। অদুবু ইবেম্মনা শিঙেল কোলোই থোনবীয়ু হঙ্গৎলবদা কেগে মোইরাং লৈমা ইবেম্মনা লৈরাং মাবু থাঙ্গৎলগা কেগে লৈবাক্কী ইমা ইন্দোন পূম্নমক তাবীয়ু য়েংবীয়ু শিঙেল লৈরাং অসিগী মরু তাবদি পাখঙগী ষনহোই লীচৈ মানবা লৈ, লৈরাংগী মনা য়েংবদি কাওরেন ষণগী ষণলৈ মাল্লিদো, লৈরাং মানা পোল্লগা মোনুগী খুবী খুনাও মানবা লৈ। লৈরাংনা ফুগাইনা শাৎলগা অচৌবা লুপা পথাপ মানবা লৈ। শিঙেল নৱা মখোইরেল লৈরাংগী কোলোই মমিং ঈঙা কুমদম লৈ, ইঙেল কুমখাই লৈ ইপু তখেল শুজা লায়রবনা তখেল লৈবাক্তগী পুরকই হায়দুনা তখেলগী মিংথাং লৌদুনা ইঙা নোংদমলৈ, লোইদাম নৱা 'তখেল লৈ' হায়না কোলোইখি। মতৌ অসুম্না তখেল-লৈ মিংথোনখি।

মণিপুরগী নুপী খোংজোম পর্ব্বগী শৈশকপী অহানবী নামৈরাকপম ওংবী ইমা ইবেমনিনা লৈরাং তখেল্লেবু অসুম্না শৈথারম্মী-

লৈরাং লৈনা য়েংলগা নিঙোল ওইবী মখূৎশু ফিশা তেল্লাং মানবা লৈ। অয়ুক য়েন্দা অঙনবা, লিক্লা লোকয়িন ওইদুনা শিঙেল পোমশাৎনবা লৈ। নুমিদাংৱাইরম মতমদা য়োইময়াই অঙানবা লীৱা লিসুম তোন্না হুই, ননাদা লিসুম খোই খোইনা অঙাননা নেম-নেম কুম্বদা, শিঙেল ফুগাইনা শাৎপা লৈ উরাংমৈ নহা খ্বাঙৌবা খোইমু মপাউ ঙাইবা লৈ, মৌগী লোন্না চিল্লগা মথংলেনবু কৌউবা লৈ, মীরম ৱাখল খন্না লৈ। পম্বৈগী লেঙ্গা ওইবশিংনা নাপ উরিসেপ অঙৌবা চুবা লৈওইবশিং শিঙেল মাবু চিল্লগা নৱা ৱাখল খন্না লৈ। হা লৈরাং কনানো শিঙেল নাওবা মখোইরেন লৈরাং কোলোই মমিংদি তখেল মৈরিপুংদগী শিঙেল মাবু পুরকই। মপারি মাবু লমজিং পুরেন্না লৈরাং তখেল্লে মিংথোল্লে।

-আর কে বুধিমন্ত কর্টা

কুমজা ২০২৪ সাহিত্য একাদেমি 'বাল সাহিত্য পুরুস্কার' মনা ফংলবী ক্ষেত্রিময়ূম সুবদনীগী 'মালেম অতিয়া' - মীওইবগী মীনুংশিগী লিপুন্না চেৎনা পুল্লিবা উপন্যাস (২)

অনীশুবা পন্দুপ 'য়াওশঙ' হায়বসিদা ফ্লাসবেক্তা মালেম অমদি অতিয়ানা অঙাং ওইরিঙৈগী থৌদোকশিং নীংশিংলকখি। মরক অসিদা মালেমদি এক্সিডেন্ট থোকপা নুমিৎতুগী অহিংদুদা ডাক্তর নিংবোইনা মথৱায় কনখি। ডাক্তর অমা ওইবগী মথৌদাং পাঙথোকখি। নিংবোইগী মপা জোসেপনদি য়ানীংখিদে। মরমদি লন্নানবা অমবু করম্না মখোয়না পুদুনা চৎকদৌরিবনো হায়না। মতাং অসিদা মীওইবগী মীনুংশি, ধর্ম্মলাইনীংগী অশেংবা মশক অদুদি মীনা মীবু অৱাবা তারবা মতমদা তেংবাঙবদুনি হায়বগী ৱাখল্লোন ফোঙদোক্লি। নিংবোইগী মপা জোসেপসু কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌদবা য়ারক্তুবা মতাংদা মালেম্না মহাক্কী কিদনি নাম্মা চিংনবা লৈতেনা পীখি। জোসেপনা হান্না খল্লুবা ৱাখল অদু তায়োন্নখি। মালেমবু হেন্না নুংশিরকখি। খৃষ্টিয়ান হায়বা, হিন্দু হায়বা তোঙান্না লৈতে। মীতৌনা কনানো, ট্রাইবেলনা কনানো হায়বা লৈতে। মীওইবগী হকচাংদা চেল্লিবা ঈগী মচুদি অমত্তনি। মীওইবদি অমগা অমগা নুংশিনগদবনি হায়বা পাউজেল অমা পীনীংলি অইবীনা। নিংবোইগী মনাওনুপী থংমিলা পোকপদা মমাদি লৈখিদ্রে অদুনা জোসেপকী ইমুংদা মালেম লাকপদা ইশ্বরনা থারকপা মখোয়গী মচা ওইনা খনখি। হান্না য়াম্না ঙাওশিন্নরম্বা মালেম মপোক অমদা পোল্লকবগুম য়াম্না অহোংবা লাকখি। ডা. নিংবোইগী ইমুং মনুংগী অঙম্বা মতেং পাংই। ডা. নিংবোইনা লায়েংবদগী মালেমসু মশা ফন্না য়াম্না ফগৎলে। মালেমবু মখোয়গী বোলেরো গাড়ী অদু থৌবা তমদুনা হৈরবা মতুংদা মচে নিংবোইবু মালেমনা হোস্পিটালদা থিন্দোক থিঞ্জিন তৌই। ইঙ্খোল কোয়বা, ষণ শঙ্গোম শুম্বা মালেমনা ফন্না য়াম্না মতেং তৌই। অসোমদা মালেমগী মমাদি মচা মাঙখিবদগী ৱাখল লায়নানা নারকখি। মপা মঙ্গেলজাউসু মহৌশা ওইদ্রে। মহাক্কী নাপল, অচাওরম কাবা পূম্নমক অৱাবা তারবা মতমদা পূন্সিবু মশক খঙবা হৌরকখি। মখোয়বু পোকপী মমা ইবৈলৈ লৈখিদ্রবা মতুংদা মমাবু হেন্না নুংশিরকখি। মবোকনা মশুশিংবু কয়াম নুংশজবা হায়বদুসু নুংশিনা ফোঙদোক্লি। অইবীনা মতাং চানা মফম মতম চানা মীওইবগী পূন্সিদা থোক্লিবা থৌদোকশিংবু ফজরবা প্লোট অমদা অদুগা চংখোল্লবা থিম অদুসু নুংশিবা হায়বা মীওইবগী অথোইবা মগুণ অসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা শাগৎলিবা নোবেল অসি চুম্নগী ফিক্সন ওইনা পাবা নত্তবদা অশেংবা থোকপা থৌদোক অমগুম অপাবশিংদা ফাওহল্লি। মসি অইবীগী হৈ শিংলবা খূৎই অমদি খুলাম্থোক অসিননি হায়নীংই।

খুল অমা, লৈকায় অমা লৈরবদি ফত্তবা মীসু অমা নৎত্রগা অমদি হেক্তা লৈরম্মী। ডা.

ক্ষেত্রিময়ূম সুবদনি

লাইরিক্কী মমিং :-
মালেম অতিয়া (২০২২)
অইবা :- ক্ষেত্রিময়ূম সুবদনী
লাইরিক্কী মখল :- অঙাংগী নোবেল
অফোঙবা :- খোমদ্রাম য়াইফবনা লৈকোল, ইম্ফালগীদমক ফোঙবা
লাইরিক্কী মখুম :- য়ূম্নাম গুনিন্দ্রো
লাইরিক্কী মমল :- লুপা ৪০০/-
লমায় মশীং :- ২৪৪ (মীতৈ ময়েক য়াওরগা)

মালেম অতিয়া
ক্ষেত্রিময়ূম সুবদনী

নিংবোইহোয়গী লৈকায়দুদসু জেমস কৌবা পাখঙ মচা অমা লৈরম্মী। মহাক্লা থংমিলা পামজে অদুনা মালেমনা নিংবোইহোয়দা লৈবদু মখোয়দৌ য়াম্না থিৎলম্মী। মালেমগা কনফ্লিক্ট অমা শাগৎনবা হোৎনবদা সেকেন্দরি প্লোট অমা জেমসকী করেক্টরদা শাগৎলকখি। জেমসকী দুকান্দা নোংমা মালেমনা পোৎ লৈবা চৎলুবদা নীংঙাই শংদানদুনা মালেমগা খৎনখি। পীক্লিঙৈদগী হৌনা মীনা লাকচবা য়াদবা মালেমনসু জেমসপু ফূরমখি। অদুবু মতাং অসিদা য়াম্না ফজরিবদি থংমিলাগী পুকচেল অসিনি। জেমসনা মালেমদা খৎনবা হৌরক্তুনা ফূরক্লে হায়বা তাবদা মখোয়গী অপা জোসেপ মৈ হৌনা শাওখি। মতাং অসিদা থাংমিলানা মীহুন ফত্তবা মপাবু অমসুং মরীল খাবা মালেমবু থেমজিল্লম্বা অসিনি। থংমিলানা হায়রকই, "অপা জেমসতু ঐগা খঙনৈ। ঐ হায়গে, মানা লম পংহেন হেনবা য়াব্রা? অপাগী অনাবসে খরা থুনা ফনবা তৌসি। ডাক্তরনা ৱাখল য়াম্না নুংঙাইহল্লু, শাউহনগনু হায়রিদুদি।" (লা: ৩১) পুকচেল তম্বা নুপীনা অসিগুম্বা মতাংদা অশাওবা পূক্লিং ৱাখলবু থেমজিনবা হায়বসিসু নুপী ওইবীশিংগী মগুণ অমনি। অশাওবনা মরম ওইদুনা অফবসু ফত্তবা ওইবা য়াই। ফত্তবা থবক অমা হেন্না ফত্তবা ওইহল্লকপা য়াই, অশাওবা পেন্দবা হায়বদুনা লমজিংলবদি হায়বগী ইঙ্গিৎ উৎলি। অসোমদা মালেমসু ৱাখল তারকখি। মহাক চীংগী খুল অমদা শৈদাংলম্বনি হায়বা। এক্সিডেন্ট থোক্তুনা কোক্তা শোকখিবনা নীংশিংবগী পাঙ্গল খরা ৱাৎলুবনি হায়বা তপ্পা তপ্পা খঙলকখি। মসি ফনা ওইদুনসু মালেম্না থংমিলাগী ইমুংবুদি থাদোক্তুনা চৎলগে হায়বা খনখিদে। মখোয়গী তৌবীমল কাউবা লৈতে। অমরোমদা মালেমবু জোসেপনা মমাকনুপা ওইনীংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লকখি। মালেমদা হকথেংননা হায়বদি নত্তে নিংবোই মপা-মচা ৱারী শানবনি। মীওইবগী থম্মোয়দা লৈরিবা মীনুংশিগী মতাংদা জোসেপনা হায়হল্লক্কি, "ইচা লৈরম্বনা ইপা হিংবনি। ঐগী অনাবদি ইদাকনা ফহনবা ঙল্লোই। নখোয়গী মীনুংশিনা ঐগী ইদাকনি। নুংশিবনা অনাবা কয়া ফহনবা ঙল্লিবনি। নুংশিবদা হুদি য়াওদবনি" (লা: ৩৬) নোবেল অসিগী য়াম্না ফজবা মতাংনি অইবীনা ফোঙদোক্লিবসি।

অহুমশুবা পন্দুপ 'মালেম লম্মাংনবা' হায়বসিদা জেমসনা মালেমদা নমথাক তৌদুনা মচে নিংবোই হোস্পিটালদা থিল্লুরগা হল্লকপগী লম্বীদা থৎতুনা সর্কস য়েংবা চৎমিন্নরুসি হায়দুনা নম্ফুন্দা পুদুনা অমুক্তা চৎত্রিবা লম্বীদা লম্মাংনহন্দুনা হুন্দোক্লমখিবা। লাংতক্লবা, করি থোক্লগাবা হায়না মীপাইবা ফাওহনবা ঙম্মী মতাং অসিমকসু। অপাবশিংদা ক্যুরোসিটি ফজনা লৈহল্লি মালেমসে করম থোক্লগাবা হায়দুনা। মসিদনি মায় পাক্লবা নোবেলনি হায়দবা ঙমদ্রিবসিসু। মালেম অমসুং অতিয়া মখোয় অনীগীদমক্তা মবোক্লা নুংশিনা শাখিবা সনাগী খুদোপ অদু দুকান ফন্নীদুদা শেল য়াওদবদগী পীদুনা গাড়ী থাও হাপ্পগা য়াম্না ৱানা ময়ূমদা হল্লক্লবা গাড়ী কন্না থৌরকখি অদুবু চীং লম্বীদুদা লম্মাংনখি। অসোমদা মচে নিংবোই, মপা জোসেপ অমদি থংমিলাদি অহিংদুমা পোথাফম খঙলমদে, নুংশা য়াম্না থিরম্মী। শুক্লবা উমংদা মালেম লম্মাংনখি। নুমিৎসু অসুম থেংজিল্লকখি। শা, কৈনা থল্লবা মফমদুদা কমদৌসিগে খনবদা ৱাখল থোক্লমদে। পাম্বৈ অমত্তা লৈখিদে। মহাক্কী গাড়ীগী মৈঙালদা চাউরবা কৈ অমা থোক্লকপা উরকখি অমসুং মঙোন্দা ওনশিল্লকখি। কিবনা থক-থক নিকখি। গাড়ী থৌগদবসু মমাঙদা শামু অচৌবা অমনা থৎলগা লৈরমখি। পূন্সিদা অৱাবা খুদোংথীবসি হৌনদুনা লাকই হায়বদুমক হেক থোকখি। অমরোমদা নুমিদাংগী মতমদুদা শামুদুনা মমাঙদা থৎলমদনা কৈ কিদুনা গাড়ীদু খা রাই খঙদনা থৌরল্লবদি মালেম হেন্না খুদোংথীবা নংলম্বসু য়াই।

-তোংব্রম অমরজিৎ

মমল নাইদ্রবা খুদোল : ত্রিলোজী - (৩) (নুংশিবগা মীনুংশিগা তকখায়নরকপগী খোঞ্জেল অমা)

থাজমানবী কটন কোলেজদগী বি এ ইংলিস লোইশিন্দুনা গুৱাহাটি য়ুনিভর্সিটিদা এম এ ইংলিস তমখ্রে। অদুনা সুরেনগা তোৎন-তিন্নবগী খুদোংচাবা লৈখ্রে। শোমদনা সরজুসু তেক্লুবা আশাগী ময়োল অমুক চোংলক্তুনা বি এ তমথখ্রে। মণিপুর কোলেজদা। অদুগী মিংদা মখোয়গী ইমুংসু শীংজমৈ পিশুম থোংদা হোংগৎখ্রে। মরু ওইবা মরমদি খুলদুদা লুহোংবদা বর লাক্তবগী ইকায়বদুনা লৈবা পাল্লক্তবনি। সরজুগী লমচৎ অইবনা খক লেম্না মাঙহন্দে। খুন্নাইবু অফবা লম্বীদা পুশিল্লকই। কোলেজগী ভোট লেপহল্লি। অদুসু কাখি। অদুনা য়ূম্ফম ওইরগা নুপী লূপ লিংখৎতুনা অফবা থবক কয়া তৌরকখি। অদুনা মক্লুরবা মায়থোঙ মকা লাম্বা ফাওবদি ফংজখি। পূর্ণিমা থাজগুম ঙাম্থোক্লকখি।

মতাং অদুমক্তদা অসোমদনা সুরেনগী নুপী প্রিয়বালাদু মচানুপী অমগা নুপা অমগা পোল্লবা চহী ৫ লোমগী মতুংদা মশাদু অনা লোয়নরকখি। অদুসু অরুবা লায়না, লুকোমিনিয়ানি। পুকচেল ফজবী প্রিয়বালানা থাজমানবীগী মতেং লৌরগা মচে সরজু কৌহনখি। অদুগা শিরমদাই মিৎকুপ্তা অঙাং অনীদু সরজুদা শিন্নরমখি। হান্নগী মরী খঙলবী ওইবনা মাগী অহাঙবা মফম অদু মেনশিনবীনবসু হায়জরমখি। প্রিয়বালাগী খুদোল অসি কয়াদা মমল য়ামখ্রবা। মাগী মাঙলুরবা মনি মতুম, সুরেনবু মখূৎতা অমুক হন্না শিন্নরম্বনি। অইবনা খুদোল অসিবু খক লেম্না মাঙহন্দে। অদুননি লাইরিক্কী মমিংফাও ওইরিবা মমল নাইদ্রবা খুদোল হায়না। ফজে হায়নীংই, লাইগী খূৎশিন য়াওহন্দুনা খূৎশেম ৱারী অসি মচু অমা অমুক লাকপনি।

অদুবু খুদোল অসিনা অমুক কনফ্লিক্ট শাগৎলকপগী মচাক ওইরে। প্রিয়বালা লৈখিদ্রে, সুরেনগা সরজুগা থুংনবগী অনীশুবা তাঞ্জা লাক্লে। অপাবশিংনদি থুংনহন্নীংবনা লোইগনি। অদুবু অইবনা য়াদে। মরমদি সমাজ লৈরি, খুন্নাই লৈরি। ঐ ঐগী অপাম্বদবু তৌবা য়াব্রা? অদুনা বদনাম লৈরবী সরজু লৌবদু সুরেনগী ইমুংনা শুকয়া য়াখিদ্রে। ময়াংদা নোংমা চেল্লুরবী মৌনি, লৈশাবীনি খঙদবীদু মমৌ ওইবা শুকয়া য়ারোই হায়না থিংখ্রে। অদুনা য়েলহৌঙৈগী নুংশিবা নুংশিবী অনীদু লৈপল ৱাংমা ৱাংমা লেপ্তুনা য়েংনরগা অদুম লৈনবদা তাখি। অদুন্না কয়াম কুইনা লৈবা য়াগনি। পোলোই তান্দবা করম্বা থৌদোকপু লৈবগে। অদুবু ঙাইখিবা তারি।

মরকসিদা সরজুগী মনাওনুপী থাজমানবী আই এ এস ফাওরে। অদুবু মানা পামজবা আই পি এস ওইনা লৌখ্রে। অদুনা মহাক দেল্লী পাংখ্রে। ফজনা শেম্বা প্লোটনি। অইবনা পাম্মী খোঙ্গুল মূৎখ্রবা জৈইন পাখঙ, ৱাখেসকী খোঙ্গুল লীবা। মদু মরম চানা থাজমানবীদা শিন্নবনি। থাজমানবীবু হেক্তা সরজুগী মনাওরা হায়বদুদি ফোর্স লেন্দিং মাল্লি। অদুবু মানবা হায়বসি হৌনবনিনা হংলুরে। চুম্লল্লে। অদুদগীদি ৱাখেস মথি ফোংলক্লে। তাঞ্জা চানা থাজমানবী শকখঙদবশিংনা ফাখ্রে। মদুগী খোঙ্গুল লীবদা ৱাখেসনা পাম্মুবা লৈতনা মতেং পীরকখ্রে। চেম্বর্স ওফ কম্যাসকী মীশিংদা শেল পীদুনা ধরনা ফম্বা য়াওহনখি। মরাইবক চুম্বা নুপা ওইখি। সরজু নাম্থোক্লকখি। তশেংবদি জোন কৌবা মেঘালয়গী নুপা মচাদুনা শকখঙদবশিংগী কুফাদগী পুথোক্লকপনি। অইবনা অদুসু Deus Ex machina (লাইনা থাদরকপা) তাদনবা কন্না হোংনৈ। জোনগী মচে অমা লুহোংলমদাইদা শকখঙদবা অমনা ফাগ্রগা শিনা ফংখি। মদুগী মৈচাক্লা মচেগী লমন খুন্নবা গেং মরক্তা চঙলকপা ওইরমখি। থাজমানবীসু নাম্থোকপা য়ানবা পাইরক্কী লৌশিংদা জোনদা মহাক লুহোংদৌরবী নুপীনি হায়রুবনি। মদুদা মচেক্কি খন্না চেম্থোকমিন্নরকপনি। থাজমানবীগী প্রোমোসন ফাওবা দি আই জি রেঙ্কতা পুখৎপীখি। অইবগী অনীংবদি থাজমানবী শেম্বা নত্তে, সরজুগী থোং ওইহনবনি। অদুনা থাজমানবী দেল্লীদা অদুম থম্বা য়াদে। অদুনা মহাক ট্রান্সফর লাকপা তাই। লাকখি, গুৱাহাটিদা। মণিপুরদা খনখিদে। মরমদি মচেগা সুরেনগা থুংনহনবা হায়বসি মাগী লাইনীংনি। অদুবু অনীশুবা তাঙ্কক ফাওবদদি ঙমখিদে। প্রিয়বালাগী নাত্তা মচে পুশিল্লগা উনহনবা অদুখক লমায় থুপচিনখি।

অনীশুবা শরুক অসিসু মপুং ফায়, অদুম লোইবা য়াই হায়নগনি। মরমদি প্রিয়বালাগা সরজুগা ঙাওনখিবদু তাবদা ৱাখলনা শাগৎলগা অপাবশিংগী ৱাখল পোথাবা য়াগনি। অদুবু অইবনা লোইদে। ৱারী অসি তাঙ্কক অহুম শুহন্নীংলি অদুনা ফজবা হেল্লনি খল্লি। অদুনা ইরকই ২০২৩দা অহুমশুবা শরুকসি অমুক।

-সলাম তোম্বা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।